ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯑꯣ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯖꯅꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯸, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸꯸ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, জন্যুৱারী ১৮, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৮৮শুবা মশীং

# পোলিটিকল পার্টিশিংগী মরল-মথুম

## লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন শোকচিল্লক্লবসু বি জে পিগী মরল মথুম হেনগৎলক্লি

শেনবা চহী ২০১৮-১৯দা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অমসুং কোংগ্রেসনা ইনকম খ্বাইদগী ফংবা পোলিটিকল পার্টি ওইখি। এসোসিয়েসন ফোর দেম্মক্রেটিক রিফোর্মস (এ দি আর)গী রিপোর্টনা হায়, কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখল মমাঙদা বি জে পিগী ইনকম লুপা ক্রোর ২৪১০ ওইদুনা মমাঙগী শেনবা চহীদগী চাদা ১৩৫ রোম হেনগৎলকখি। কোংগ্রেসকী ইনকম লুপা ক্রোর ৯১৮ ওইদুনা মমাঙগী শেনবা চহীদগী চাদা ৩৬১ রোম হেনগৎলকখি। হৌখিবা চহী ১৮গী মনুংদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী ইনকম শেনবা চহী ২০১৮-১৯দা খ্বাইদগী চাং ৱাংবা ওইখি। বি জে পিনা কুমজা ২০১৮-১৯দা ফংখিবা লুপা ক্রোর ২৪১০গী শেনফম অসি অতৈ অতোপ্পা নেসনল পার্টিশিংনা ফংখিবা শেনফম পূম্নমক পূনশিনবদগী চাদা ৪৭ হেল্লে। মীখলগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা শেল চাদিং তৌবগী মতাংদসু অতৈ অতোপ্পা নেসনল পার্টিশিং পূনশিল্লগা চাদিং তৌখিবা শেনফমদগী বি জ পি মথন্তনা চাদিং তৌখিবা শেনফমনা চাদা ৩৯ হেল্লি হায়রি। নেসনল পার্টি তরুক্কী মনুংদা শেনবা চহী ২০১৮-১৯দা ইলেক্টোরেল বোন্দগী খূৎথাংদা দোনেসন ফংখি হায়না লাউথোকখিবসি বি জে পি, কোংগ্রেস অমসুং ত্রিনামুল কোংগ্রেস খক্তনি। পার্টি অহুম্না ইলেক্টোরেল বোন্দগী খূৎথাংদা ফংখিবা শেনফম পূন্না লুপা ক্রোর ১,৯৩১.৪৩নি। এ দি আরগী রিপোর্টনা হায়, বি জে পিনা লুপা ক্রোর ১,৪৫০.৮৯; কোংগ্রেসনা লুপা ক্রোর ৩৮৩.২৬ অমসুং ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা লুপা ক্রোর ৯৭ ইলেক্টোরেল বোন্দগী খূৎথাংদা ফংখি। পোলিটিকেল পার্টিশিংদা শেল দোনেট তৌবগী থৌওং মনুং-মপান ফাওনা উহন্নবগী পান্দমদা হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ইলেক্টোরেল বোন্দগী থৌরাং লাউথোকখিবনি। থৌরাং অসিগী মখাদা কনাগুম্বা মীওই অমনা পোলিটিকেল পার্টি অমদা দোনেট তৌগে হায়রবদি শেল ওইনা পীবগী মহুত্তা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াদগী ইলেক্টোরেল বোন্দ লৈরগা পীগদবনি। কুমজা ২০১৭-১৮দা বি জে পিগী অপূনবা ইনকম লুপা ক্রোর ২,৪১০.০৮; কোংগ্রেসকী লুপা ক্রোর ৯১৮.০৩; ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী লুপা ১৯২.৬৫; কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট) কী লুপা ক্রোর ১০০.৯৬ অমসুং বহুজন সমাজ পার্টিগী ইনকম লুপা ক্রোর ৬৯.৭৯ ওইখি। মমাঙদা বি জে পিগী ইনকম লুপা কোর ১,০২৭.৩৪ ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৭-১৮দা লুপা ক্রোর ২,৪১০.০৮ য়ৌরকখিবনি। কোংগ্রেসকীনা লুপা ক্রোর ১৯৯.১৫ ওইরম্বদগী লুপা ক্রোর ৯১৮.০৩ য়ৌরকখি। ইলেক্সন অমসুং জেনরেল প্রোপেগন্দাদা বি জে পিনা লুপা ক্রোর ৭৯২.৩৯ চাদিং তৌখিবদা কোংগ্রেসনা লুপা ক্রোর ৩০৮.৯৬ চাদিং তৌখি হায়রি।

মতাং অসিদা হৌজিক খন্নবা য়ারিবসি পোলিটিকেল পার্টিশিংদা দোনেট তৌবগী থৌওং পূম্নমক মনুং-মপান ফাওনা উহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা ইলেক্টোরেল বোন্দ হৌদোকখিবগী চপ চাবা পান্দম ফংবা ঙম্লব্রা হায়বদুনি। ইলেক্টোরেল বোন্দগী খূৎথাংদা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা শেল দোনেট তৌরকপা মীওই খুদিংমক্কী মশক মমিং অরোনবা ওইনা থম্বা মরম্না শেঞ্জাও পায়বশিংনা শেল চাউনা-চাউনা থাদরকপগী মওং অমা উবা ফংলি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী এন্যুয়ল ওদিট রিপোর্টতা শকখঙদবা মীওইশিংনা তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা শেল দোনেট তৌবগী চাং হেনগৎলক্লে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে। আর টি আই এক্টিভিষ্টশিংনা হায়খি, মীওই অয়াম্বনা লুপা ১,০০০ অমসুং লুপা ১০,০০০গী ইলেক্টোরেল বোন্দ লৈনদে। শেনবা চহী ২০১৮-১৯গী ওদিট রিপোর্টতা বি জে পি, কোংগ্রেস, ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেস, বিজু জনতা দল, জনতা দল (সিক্যুলর), তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সমিটি অমসুং ৱাই এস আর কোংগ্রেস পার্টিনা কোর্পোরেটশিং, লন্নাই মীওই, ইলেক্টোরেল ত্রষ্ট অমসুং ইলেক্টোরেল বোন্দদগী ফংখিবা শেনফম লুপা ক্রোর ৩,৬৯৬.৬২নি। অপূনবা শেনফম অসিগী চাদা ৬৫.৫১দি ইলেক্টোরেল বোন্দগী খূৎথাংদা ফংবনি হায়রি। পোলিটিকেল পার্টি তরেৎনা ফংখিবা দোনেসনগী চাদা ৫৫দগীনা ৮৭ ফাওবদি ইলেক্টৌরেল বোন্দগী খূৎথাংদা ফংখিবনি। রেকগনাইজ তৌরবা ষ্টেট লেভেল পোলিটিকেল পার্টি অনীনা দোনেসনগী শেনফম চাদা ৮০ হেন্না ইলেক্টোরেল বোন্দগী খূৎথাংদা ফংখি। বিজু জনতা দলনা চাদা ৮৭.৯১ ফংদুনা খ্বাইদগী চাং ৱাংখি। চাদা ৮২.২০ ফংখিবা জে দি (এস) না অনীশুবদা লৈরগা তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সম্মিটিনা চাদা ৭৭.৪৬ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি। রেকগনাইজ তৌরবা নেসনল পার্টি অহুম্না ফংখিবা দোনেসনগী চাদা ৬৯ লোম ইলেক্টোরেল বোন্দ ওইনা ফংবনি। মসিগী মনুংদা লুপা ক্রোর ২,৩৫৪ ফংখিবা বি জে পিনা খ্বাইদগী চাং ৱাংনা ফংবা পার্টি ওইরি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা কোংগ্রেস, তেলঙ্গনা রাষ্ট্র সম্মিটি অমসুং ৱাই এস আর কোংগ্রেস পার্টি নত্তবা অতোপ্পা পার্টি অমত্তনা ওদিট রিপোর্টতা কোর্পোরেট অমসুং কম্পনিশিংদগী ফংখিবা দোনেসনগী শেনফম তোঙান-তোঙান্না পনখিদে। হৌজিক্তি পোলিটিকল পার্টিশিংনা ইলেক্টোরেল বোন্দগী খূৎথাংদা দোনেসন ফংনরবা মরম্না ইলেক্টোরেল ট্রষ্ট অমসুং ফাউন্দেসনশিংগী মগুন হন্থরকপগুম তৌরে। শুপ্নগী নেসনল লেভেল পোলিটিকল পার্টি অমসুং ষ্টেট লেভেল পোলিটিকেল পার্টি অহুমখক্না ইলেক্টোরেল ত্রষ্ট অমদি ফাওন্দেসনশিংগী খূৎথাংদা দোনেসন ফংখি। কোংগ্রেসনা চাদা ১৭, ৱাই এস আর কোংগ্রেসনা চাদা ১৫ অমসুং টেলঙ্গনা রাষ্ট্র সম্মিটিনা চাদা ৯ ফংখিবনি। নুংঙাইরিবা ৱাফমদি ইলেক্টোরেল বোন্দ স্কিম হৌদোকখিবা বি জে পিনা স্কিম অসিগী মখাদা দোনেসন খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা পার্টি ওইখিবা অসিনি। ইলেক্টোরেল বোন্দগী খূৎথাংদা দোনেট তৌবা কোর্পোরেট নৎত্রগা লন্নাই মীওইশিংগী মশক-মমিং অরোনবা ওইনা থম্বা মরম্না মশাগী অপাম্বা পোলিটিকেল পার্টিদা শেল কা হেন্না থাদগে খনবা কোর্পোরেট অমসুং লন্নাই মীওইশিংগীদমক্তদি স্কিম অসিনা খুদোংচাবা পীবগুম তৌরি। লুপা ক্রোর ১ হেনবগী ইলেক্টোরেল বোন্দ লৈখিবশিংগী মশক মমিং আর টি আইগী খূৎথাংদা হংখিবদা ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা মতিক চাবা পাউখুম পীরকখিদবগী ৱাফম লৈখ্রবনি। অদুনদি কুমজা ২০১৭কী ফেব্রুৱারীদা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হৌদোক্লগা কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী থাদা নোটিফিকেসন থোক্তুনা চৎনহনখিবা ইলেক্টোরেল বোন্দ স্কিমনা কদায় ফাওবা কান্নবা ফংহল্লবগে হায়বদু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরক্লে। লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন নোংমা-নোংমগী শোকচিল্লক্লবসু স্কিম অসিনা মরম ওইরগা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিগী মরল-মথুম অসুম-অসুম হেনগৎহল্লে হায়না মরাল শীনরকপা য়াই।

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১২**

১। চুড়াচান্দ মহারাজনা চহী ২০ শুরদুনা ১৯০৭কী মে ৫দা বৃটিশনা লৈঙাক শিন্নরে। মীওই ৮না শাবা দরবার অমা শেল্লে।

(ক) দরবার অসিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট অদু সাহেব অমনা ওইদবা য়াদে। অদুনা অহানবা ভাইস-প্রসিদেন্ট ওইখিবা সাহেবতু কনানো?

(খ) অনৌবা লৈঙাক অদুনা চীংদনা ভিলেজ চীফ কয়া হাপখ্রে। অদুগী মথক্তা লৈঙাক্কী পাউ, সম্মন্নচিংবা পুথোক পুশিন পিওনগী ফম কয়াসু হাপখ্রে। ফম অদু করি কৌবগে?

২। "পুল্লপ পুল্লপ মকোক চূংশিন্নৈ/উনরগা মখূৎকাসু শোক্লে/ শোরোক লমজাউদা/চন্দ্রগী মী ময়াম।" পরেংশিং অসি 'চন্দ্রগী মী' কৌবা শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অদু কনানো?

৩। "ঐদি ইচম চম্বনি/ঐগী হায়বু/হৈরাং অনীখক য়াওরক্লি/মসিদি নচাশিংগীনি।" পরেং মরি অসিনা 'লাই অমসুং লাইয়েকপা' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগীনি। অইবদু কনানো?

৪। "চহী কয়ামা নঙনা ঐবু/হিংনা হিংনা অশিবগুম লৈহনখি/হৌজিক্তি নঙনা অমুক ওইরে।" পরেং অহুম অসিনা 'অশাবা ভূট' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগীনি। অইবীদু কনানো?

৫। "য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয়না/মীৎকা মীৎকা চানবা।" পরেং অনী অসিনা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ফেষ্টিবেল ওফ ফেষ্টিবেলস

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**




নিংথমথা নুংঙাইবা মতমনি। কালেন য়েন্মৌনজৈ ঐদি। মপুনা থাবা তেংবানবদা লৈরিবা থৱায় পানবা খৈবিক্কীসু নুংঙাইবা মতমনি। নুংঙাইজরবা খোঙ্গং খূৎকংবা, চান-থক্লবা পৈশিল্লবা মতম। অনৌবা ফৌরোক ...। মী খুদিং লমচাক চাবা চৎনীংবা, হকচাং তেকখৎপা, লুহোঙ খোঙদোঙনীংবা, লম কোয়নীংবা, য়েনশাং হাউবা মতম হঙ্গাম, কোবী, য়োংচাক, থোইদিংনচিংবগী মখোয় মশেল অকনবা লম্বা তৌনবা মতমনি।

কোবি মোমিয়াগা হঙ্গাম মোমিয়াগা কাওথৎনবা মতমনি। হঙ্গাম য়েল্লাগা ফুল তারমদাইগী কোবিগা কাওথৎনবদা কনানা মতু কোল্লগা বোম লাউনা তুগদগে? অনীমক হেন্নদৌ মান্দে লম্বাদু। কোবিগা হঙ্গামগগী লান মরক্তা য়োংচাকা থাঙশাং হাইজিল্লকপা থোইদীংনা খোঙচেপ হাইজিল্লকপা মতমনি। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল কোবী হঙ্গাম্না পূমশং শংনা য়াম্না শন্দোক্লিবা মতমনি। চাকৱাইগী, পানগী, মাইরেলগী, শেবোৎকী, লাইৱাগী ফুটানি কীন্থখিবা, থবীগী, কারোলগী শম্বুল হীকথখিবা খেনফমনি। অহাউবা পূম্নমক্কী লানবন্না বোম বোম মচেৎ ফক্তুনা তেকথ-কায়থখ্রবা অমুক কোবি, হঙ্গাম, য়োংচাক্লা লানঙম ফিরাল পাইদুনা মোমোন মোমোন নোকচবা, মোমোন অদুদগী হেনগৎতুনা ফাক ফাক নোক্তুনা সেক্লা লাউনা নিংথমগী লানবাউ চেল্লকপা খেনফমনি। মসিনা মহৌশা খূৎশেম্না থীন্দোরকপা খূদোলনি।

তাইবঙ মীনা শেন্বা নুংঙাইবা কয়াসু লৈরি। মহৌশা লাইরেন্বীনা শেন্বা নুংঙাইবা কয়াদগী তাইবঙ মীনা শেন্বা ফেষ্টিবেল হায়বা অসিমসু নুংঙাইখ্রবা মথেল অমা ওই-খৎলক্লে। লেন্দ ওফ জ্বেলস হায়বদগীদি লেন্দ ওফ ফেষ্টিবেলস হায়বনা পক্ল-চূনবা হায়বদু ওইরক্লে। জ্বেল ওইবা পোৎতি নোংমা নোংমগী হন্থরকপা নৎত্রগা মাঙথরকপা অদুগা ফেষ্টিবেল ওইবা পোৎনা সুম মরাং কায়রক্লব্রা হায়বা ৱাফম অমা লাকই। সঙাই ফেষ্টিবেল, কিহোম ফেষ্টিবেল, কোমলা ফেষ্টিবেল, বোরা ফেষ্টিবেল, চমপ্রা ফেষ্টিবেল, শিরোই ফেষ্টিবেল নুংঙাইজৈ।

ঐখোয়দি ফেষ্টিবেল হেক হায়খিবদা ৱাখলদা হেক্তা নুংঙাইবা পোকচবা ঙম্মী। ঈশৈ য়াওরম্মনি, জগোয় য়াওরম্মনি, মশক মচু ফজবী মৌ, লৈশাবী ময়াম কেনা কেনা য়েংবা লাক্লম্লনি, মিনিষ্টর এম এল এ অচৌ অশাং কয়া লাক্তুনা ৱা ঙাঙলম্লনি, নুংঙাই য়াইবী মরাং কায়বগী লাঙলম্মনি, খেরম্মনি, টুরিষ্ট ময়াম লাক্লম্মনি, চাবা থকপা মরাং কায়রম্মনি হায়বা অসি ঙাক্তা উরকই। ঐখোয়গী ফেষ্টিবেল মরাং কায়রেদি হায়নৈ অদুবু ফিলিপিন্সকা য়েংনরুবা মতমদদি ঐখোয়গী ফেষ্টিবেল মশীং লীকই, ফিলিপিন্সকী ফেষ্টিবেল মশীং হৌজিকফাওবদা লিশীং নিমফুনিথোই ফাওবদি মশীং খঙদোক্লে হায়রি। ধর্ম্মগী, কলাগী, চান-থক্লবগী, মতম মতমগী লৌরোক পান্থাগী অসিনচিংবা ময়াম অসি য়ামখ্রবজাৎনি। ওন্থোক্লা নুংঙাইবা লম অমদি ওইরম্লনি মখোয়গীসিদি!

ফেষ্টিবেল অসি নাউন খুদিংগী ফেষ্টিবেল অমমম লৈরকপা য়ারি। কোবী ফেষ্টিবেল, ঙারি, খজিং, চুজাক, হৱাইজার, য়োংচাক, করপসন, রেল্লি, সিট-ইন-প্রোটেষ্ট, বন্দ, পরিক্ষা হায়দোকপা, হাওসিনচিংবগী ফেষ্টিবেল মথং মথং। মদুসু তরাম্না ওকচনবা ঙাইজরি। ফেষ্টিবেল তৌরিবদুগী কান্নবসু ফংদবা পোৎসু য়াওরম্বা য়ারি য়াম্লবনিনা। ফেষ্টিবেল ঙাক্তা সুম হায়মল্লক্তনা ফেষ্টিবেল তাবদা মমল ইকা কারক্তবফাওবা য়াই। কয়া মওং তানা শীন্দবা থৌরমদসু ফেষ্টিবেলকা হায়রবদি মীনা য়াম্না চাউবা থৌদোক মালহন্নবা হায়জিন্নবা য়াওরকপফাও য়াবজাৎনি। ফেষ্টিবেল নৎত্রবদি ঐখোয়গী মীৎতা চাউনা উবা ইঙম ঙম্লক্তরে। মতম অমদদি মসি য়াম্না লীক্লা তারম্বা ৱাহৈনি। নিংঙোল চাক্কৌবা ইজ এ গ্রেট ফেষ্টিবেল ওফ মণিপুর, ঐখোয়গী অঙাং ওইরিঙৈগী লাইরিক্তা য়াওখিবা মাল্লি। এসে ইরমদাইদা ফেষ্টিবেল হায়বা শীজিন্নবা তারকই অতৈ মতমদা শুক্তা তাজরক্তে। সোরি, মরাং কায়না তাজরক্তে।

মরাং কায়মল্লকপদগী তোয়না থোংবা শরেং চানীংলক্তবগী থাকসু লৈরক্দ্রা? করি ৱাহৈ লৈরি মসি নত্তবা? মেলা হায়বসু অদুম হঞ্জিল্লক্কনি কুম্মৈ হায়সু অদুম হঞ্জিল্লক্কনি লুদি লুরি। য়াম্না চম্বা পোৎতসু ফেষ্টিবেল হায়জিল্লক্লবসু ফরক অদুম তারি। করিদনা ফেষ্টিবেল হায়বদা পকচগবা করিদনা পকচরোইদৌবা?

তৌবদি, ফেষ্টিবেলবু হায়রবদি ননাইগীদি ইয়া য়াজরে, ইনুংতা নুংঙাইরে...। ফেষ্টিবেল য়াম্না তৌবীয়ু তৌবতদি চানজগদবা পকচগদবা পোৎকী ফেষ্টিবেলনা য়াইফরে। ●

# পুৱারী খঙনবা হোৎনবদা

**নবকুমার ওইনা**

পুৱারী খঙলগা করি তৌগে হায়বনো? তৌগদৌবা থবক্তি তৌদনা ৱারী লীনদুনা লৈরগা করি কান্নরিবগে? লীনরিবা ৱারীশিং অসিনা কনা কনাগী ৱারী য়াওরিবা? অদুদনি, ৱারীনা পুক থনবা য়াবা নত্তে হায়নরক্লিবসি। ফম পাম্নবগীরা, শজি মুন্নবগীরা, লান হান্নবগীরা, থৌনা ফুদোকপগীরা, লম হেল্লুবগীরা, লান্নিং হনবদুগীরা, মায় পাকপা লায়রি মায়থীবগী ৱারীশিংদুরা, মীনম্নবগী ৱারী ময়ামদু পুৱারী ওইনা লৌশিনগদৌরিব্রা?

থাংজিং চীংগী ৱারী, কৌব্রু চীংগী ৱারী, নোংমাইচীং চীংগী ৱারী, হৌবী চীংগী ৱারী ময়ামসি পুনশিনবসু ঙমদনা চীংনাও-চীংতৎ, লৈকায়গী ৱারীশিংনা অপূনবগী ৱারী শাগৎপদি ঙমদনা কনাগী পুৱারী ওইগদৌরিবনো? লাঙ্গোল চীং, খেবা চীং, পুনম চীং, ওন্বা চীং, পাবোৎ চীং, তোকপা চীং, কক-চীং, লান চীং, লোৎপা চীং ময়ামসিগী অপূনবা পুৱারী কদায়দা লৈবগে? শাগৎপা ঙমদ্রিবনা করিগীনো? পুৱারী শেমদে হায়রিবনি, শেল্লমদবনা লৈরমদবনি। পুৱারী শেমগদৌবনি, শেমজিনগদৌবদি নত্তে। ঙসিগী পুৱারী অয়াম্বা শেমজিনবা য়াওরক্লি শেমদোকপা লোইশিন্দরি। মদুমক্লা য়ুনিটি লৈতবসি ওইবা য়াই, য়ুনিটি লৈতবদুনা অপূনবগী পুৱারী শাগৎপা ঙমদবনি। চীংঙা চীংগী ৱারী, মনা চীংগী ৱারীনা তাঙ্গো চীংদা লোমখিবনা পুৱারী ওইবদি ঙমখিদ্রে। শিরুই চীংশাংনা নায়তোম তারিবনা করিগী?

সেংমাই তুরেল, ঈরিল তুরেল, নম্বুল তুরেল, কোংবা তুরেল, থৌবাল তুরেলগা পুল্লগা খুগা তুরেলগা ইরোয়ননা শুগনু চকপীদা তাখিবা কনানবু পূন্না উরবগে। ইরাবতি লাল্লগা বঙ্গোব ঈপাক্তা তিনখ্রিবসি পুৱারী নত্তবরা? "মণিপুরী ইতিহাস" হায়রিবসি মসিবুরা? ঈ মরীশিংনা পুৱারী অসিবু মশাগীনি খনবা ঙমজদবগুম ঙাঙনরিবা করিগীনো? ফা-জারলা, চা-শারলা, চাক চাবরা হায়বা খঙদবা কনাবু য়াওগনি। লান তাশিল্লকপগুম্না লাল্লোই অমগুম লানঙম ফিরাল পায়বগী ৱাখলতা খন্নদুনা লৈবা য়াওরব্রা? মদুসু খল্লো, পন্থুংফমদা থুংলবনি, দেমোক্রেসিদা য়াওরবনি, লৈবাকসিগী মপু নশানি হায়বা য়াজরো। নরোল চুমলো, লৌজনাম থাদোক্লো, তোঙান চাবগী ৱাখল থাদোক্লো, নথৌ খঙলো হায়রক্লবনি খল্লো। পাউতাক ৱারীনা তোঙান চাবা নত্তে। কবুই কৈওইবগী ৱারীদা কবুই শলাং কাউবা য়ারোই। অপূনবা খুন্নাই শাগৎলকপদা রোমিও-জুলিয়েটকী ৱারীগুম্বনি। কবুইগী মহুৎ কুকিনা শিল্লগা য়েংথিনবা য়াবসু নৎত্রে। ঙসি করি ৱারী লীরগা চক কয়াগী পুৱারী ওইহৌগনি খনবা তারকপদুনি। ঙসি ইকায়বা খঙনদ্রগা থাজনবা কয়া মাঙখিনি, মায়থীহৌরবশিংনা খোয়শাওনরগা লান অমুক থোক্কনি, অরানবা শিরুবসু য়ারক্লোই। মদুনা পুৱারীনি হায়রগা লেমজবা ফংবসু মাঙগনি। মুৎলবা খরনা কপচনি, তকশি শোল্লগা মাঙজনি।

'শন্নরেন্বী থোক্লক্লো, নহুম পোঞ্জেম শাবিগে, লাই খূবাক খূবিগে' খঙবা মবেন কনাবু য়াওরিবগে? ঙা ফাদবা চীংদা ইমোইনু লাত্তবা তাবরা, শজিদুনা করিগী ফারুরিবা? চাগনি হায়বদি খঙদনা শা ফাবনা কৈদৌননি। হকচাং ফবা য়াবা হৌনদে। ইমোইনু ঈরাৎপদি অফবা চিঞ্জাক চাবা, অফবা শাজৎ চৎপা, অফবা অচুম্বা ৱাখল খনবনা পুন্সি শাংই হায়বনি। অঙম তান্নরগা মপা-মচা খৎনৌ হায়বা নত্তে। থৱায়না মপা ওই, ৱাখলনা মচা ওই, শজিনা লন ওই, মুন্নহল্লগা পাড়া তাকপা অদুবু খঙদনা হনুবীনা নুপীদা ঙাক্তা অথিংবা পীবা, নুপা মখৈনা ফ্রী থাবীনি হায়না জর্দা চাবীশিংনা শাওবসু য়াওরক্লি। য়ূম্বু ইম কৌই, ইম কোয়বী (মপু ওইবী) ইমা কৌই। মপুনা মীনাই মাল্লকপসি পাওথাংনবা হৌরকপদগী খঙবা হৌই। ইয়ূমনি খন্দ্রবদি মপু ওইবা ঙমদে, য়ূম অমদা হোংবা নত্তে, য়ূম অমা শেমগৎপনি, লৌশিনবনি। মী অমদগী মুনবা নত্তে, নুপা ফাবা নত্তে, মনেম মকুগা য়েক্লবা নত্তে, মচন-মনেমশিংগা খৎনবা চৎপা নত্তে। মসিনা পুৱারীগী শৈহৌনি। কবুই কৈওইবনা লীরিবা ৱারীসু মদুনি। থেংনগদৌরিবা ইমুংগী লান্না 'শন্নরেন্বী-চায়শ্রা' খঙলগা ঙম্লগনি হায়বনি। লাই খূৎশাংবী শাথেংনগে হায়রবদি চায়শ্রাগী য়াথং ঙাক্কদৌবা নত্তে। নমা নুংশিরগা থেঙ্গু ফুৎপা ঙম্বা হৌনদে, চু মখোঙদা ঈশিং অশাবা হৈজিনবা ঙম্বা মচা ময়াম য়াওরম্বা য়ারি। হৌদোং লম্বোইবগা চরোয় তরেৎলক ৱারী শানরে, মচা অতোনবীনা মথী চিৎপমখৈ পাইথোক্লকপা ঙমদ্রিবা করিগীনো? ময়াংদা ওংলুবী কয়া হন্নরকপদি য়াওরক্লে। মী মকোক্লা নিংথৌগী মচানুপী লৌবা ফংখিবদুদি দ্রগ লল্লোনবদগীনি। নিংথৌ মচাদুনা পৈশা পায়বা শারুবদগী কৈশুমশঙদা লৈ-খ্রবনি। নোংমৈনা মী হাৎলুবগা মান্নরক্লিবসিনি, নোংথোনবগী মচাদুনা জজনা ওইরক্লবনি। পুৱারী খঙহৌদবশিংনা ঙসিগী সাইদ হেরো কুম্নরক্লি হায়বনি।

মতম মাঙনা অরিবা লীলা হঞ্জিন হঞ্জিন শান্নদুনা লৈরগা রোবোট শাবা ঙম্বা হৌনদে। চহী চাম্মগী মতুংদা রোবোটকী ফুঙ্গা ৱারী কনানা লিহনগদৌরি। পুৱারীদা লান্না ইশিল্লুবশিং কনানসু মৱা লৌবিদ্রে, অপঙবা তাহৌরে। পুৱারীদা মমা-মবেন নীংশিংনদবা কাঙবুসু ময়াওরি, মরী-মতা খঙদনা সোসিয়েল বিয়িংনি হায়বসু লৈরি। তোৎল-তোৎলগা মফোন তাগদ্রা হায়রগা নূং চাবসু ময়াওরি। মসি পূম্নমক পুৱারী শাগৎপা পাম্বশিংগী শাজৎ নত্তে। খোমজিনবা হৈবগা, কাউথৎপা হৈবগা খেন্নৈ। পুৱারী হায়গনি মশাগী শাগৈ, য়েক, ময়েক শেংলোই, ইপানা য়াখিবা ইপুনা য়াখিবা, য়েক লৌখিবা কাউগনি। মপু ওইনা খুঞ্জাওনবা লৈচাওনবা খোমজিনবগী মহুত্তা মনীং হল্লগা চেনখিবা মানবা য়াওনরি। মরোল য়োন্থোকপা, মমিং পীথোকপা ফুরুপ অমনা অচৌবা খুন্নাই অমা শাগৎলম্মীবনি হায়বসি পুৱারী লৈজবগী ৱাখল নত্তে। ঙসি ফাওবা মরোল চুমদ্রি, মরল তান্দ্রি, ৱায়েল চুমদ্রি, ৱাখল উদ্রি। ঔগ্রি চোংবদা ঈশৈ হনবীনবা লৈত্রে হায়বা য়ারে। চোংশিন চোংশিন্দুনা চোল্লাক লাক্লরগা নাট শাগৎপা ঙম্লবনি হায়বা য়ারগদৌবা নৎত্রি। থাংজিং, মার্জিং, খল্লাংবা, নোংশাবা, ৱাংপুরেল, সম্থোং অপানবা পূন্না ঈরাৎপা উদ্রি, তোঙান চানরি। লাইশিংগী অপূনবা ৱারী শান্নরম্বগী পুৱারী পুথোকপা ঙম্নদ্রি। লম হেঞ্জিন্নবগী খৎনখিবা, শা-লানগী ৱারীনা পুৱারী ওইবদি মপূং ফারোই, পূনশিন্নখিবগী ৱারী মপূং ফানা শাগৎপা তঙাইফদনা চংই। লাই খুন্থোক ৱারী লীবা চারৌ-মৌরৌনবগী ৱারীদা খৎন-চৈনবা, শা-লানগী ৱারীনা নমহৎলগা চৎলি। অঙম্বা শক্তুনা য়েংথিনবগী ৱারীতা লীদুনা লৈরগা অপূনবগী পুৱারী শাগৎপা ঙম্লবনি খনবনা য়ারোই। ৱাঙাঙ চুমদ্রিবনি হায়গনি।

হরাওপুংদা মী হাৎনৈ হায়বসি লাই লাৎপগী ৱারী নত্তে, ফুরুপ অতৈগী লাইশঙশিংদা উবা নত্তে, ফুরুপ মান্নদবশিংগী মরক্তা থোকপা ৱানি। লাইয়েৎনবগী ৱারীনি, লাই মুন্নবগী ৱাথোক্লি, লাই মাঙ-খবগী ওইগদৌরিবনি। লাইবুংদা মীতোপ চংবা য়াদবা হায়বসি মী খোমজিনবগী ৱা নত্তে, লাইনীং অমা হোংলগা মী কোয়খোম খোম্বা চৎপদি উনরিবা অসিনি। খুন্থোং থিংলিব্রা, মঙথোং হাংলিব্রা খঙবদা ৱারকপদুনি।

ম্যান্মারদনা হিংনা হিংনা মিং হোংনরি, লমদম অসিদনা শিরগা মিং হোংনরি। মসিবু পুৱারী খঙবা মানগদৌরিব্রা? মসিগুম্বা অতোপ্পা লম অমা লৈবা নত্তে। রোবোট শারবা মতমসিদা করম্বা মখলগী রোবোট অহিংবা ওইগদৌরি। অশিবদা ফাওবা মীনম্বা ঙম্নরি। শিরবা ফাওবদা চুম্না চৎপা ঙম্নদ্রি। মসিবু করম্বা মখলগী পুৱারীনো, মালেমদা রেকোর্দ লৈহৌগদৌরি, মসিনা হেন্নবু ইকায়ফম থোক্তবরা? লানঙম ৱারীরা, অপঙ ৱারীরা? শাগৈ অদুদি করি কৌরি, করিগী শাগৈ লৌরুরি। মীদা লংনবা ফাওবা য়ানদ্রবদা পুৱারীদা লংনরি। চৈ নিবনি হায়গনি।

হোংবা নায়বা মীওইবগী শাজৎনি। নুপী খুন্নাইগী য়ূম্লাক হোংনরি, মালেমদা চৎনরি। নুপাসু হোংনরি, লমদমসিগীনা য়ূম্থুনা হোংবনি। চীংদদি চৎনদে, ফুমায়দা খুজোকমুক্লা চাকহাও শারুবনি। মুখরক্লিবগী মরমসু মসিমক্কনি, শিখাঙ খাঙবনা হিংগদৌবদি লৈত্রবনি। আই টিগী মতমসিদা ইতন-তন্না লৈবা মাল্লক্লি। য়ুনিটি শাগৎপদা লৈয়ৈনা থোম্বগুম্বনি, থেঙ্গুগী শাজৎনি। তোকপসু লৈতবা, লেপ্পসু য়াওদবা লাইনীং অমবু অমুক হৌদোকপনি হায়রক্লি, অনীশুবা পন্দিৎ তাগদৌরি। মালেমদা লাইনিংগীদমক খ্বাইদগী মারা চেত্তবা লমদম হায়বদু ওইগদৌরি। য়ূমথংনবগী হুই খ্বাইদগী চিক্লবা লমদমনি হায়বা য়াগদৌরি। ইমুং অমদা মচাশিংনা মপাগী লাইনীং হোংহনবা ঙম্নরক্লি। কৈরোয় লৈকায়দা লাইনীংগীদমক ৱা য়াম্না ঙাঙনরি। মুন্না খঞ্জিল্লুরগা পৈশাগী, শেন্দোংগী মাল্লক্লি। ফিলোসোফি ইয়াও য়াওনদবগুম, উরুবা তারুবা অদুনা অচুম্বনি হায়বা মওং অমদা লাক্লরগা ৱাখল থেনবগী য়েৎনফমসু মাল্লক্লি। লাই হায়বা ফুরুপ হিংগৎলক্লি, লাই নীংবমখৈনা ফুরুপ অমবু খুরুম্বা তারক্লি। লাই লাৎলিবশিংনা লাই অদুম কৌখিবা তারবদি সেংমাইগী ঈ ওইবা তারক্লি। লিংজেল মান্নবশিংগীনা মীশিং হেনগৎপা, লিংজেল মান্নদবশিংনা মুখরকপা হায়বসি লাই হাক্তক্তগী চত্থদুনা লাকই হায়বসি খঙদবশিংদি লাই লাৎপা কৌদে। মদোম মুৎচখিগনি, শৈথাবীনবা, কনবীনবা কনাসু লৈরোই। মী মান্দবগী খুদম অদুম ওইহৌগনি।

লাই লাৎপসি ইপা-ইপু লাৎপনি হায়বা য়ানরে। মশাগী পুৱারী খঙনবা হোৎনগেদি হায়দনা অতোপ্পগী মপা মপুদা তাংজবা মাল্লকপা, মীনা হায়রিমখৈ থাজবা মাল্লকপা, মশাগী মহৈ তমগে হায়দনা মীনা তম্বীবদা ঙাওনবা হায়বসি মশাগী পুৱারী লৈজদ্রে হায়বনি। কাঙবু অমনা অতোপ্পা কাঙলূপকী ঈদা চোংশিনগনি হায়বসি লাইনীংগী ৱা নত্তে, লান্দা মায়থীরবশিংগী শাজৎ অমনি। মদু খঙদবা, মায় ঙাংদবা হায়বসি মী ওইবগী শাজৎ ওইফম থোক্তে। কাঙলূপ অদুগী পুৱারী লৈবা হৌনদে, লৈতবদুনা মীগীদা তাংজবা হৌরক্লিবনি, থেল্লগা পুবা য়ারক্লিবনি, মশাগী মশক খঙজদ্রিবনি, মদুদা মতম মাঙনরিবনি। লাইনীং হায়বসি পুৱারীগী শরুক অমা ওইরক্লিবনি, য়োল্লগা চাবা ঙম্বা য়াওরক্লবনি। মী ওইরগা অদুয়ৌনা তোল্লবনি, ৱাঙাঙ অমত্তা ঙাক্লা চৎপা ঙম্নরক্ত্রবনি। হান্নগী মী লৈরমদ্রবগুম মীওই খরনা খূৎলোকপী শান্নবা য়ারিবগুম্বনি। লাইনীংগী চগোদগী থোক্লকপা ঙমদবা অদুমক্লা লৈশেম্বা ঙমদনা তন্ত্রিক্তা ঙাওদুনা লৈনবা য়াওরিবনি। তন্ত্রিক্তা থাজবা লাইনীংগা মীয়ামদা থাজবা লাইনীংগা য়েৎনরক্লিবা অমনি। তন্ত্রিকপু সৈতান ওইনা উনরকপসু য়াওরক্লি। অনীমক কোক ফাইটিংগী রিং মনুংদা লৈবনি, অনৌবা প্লানেট অমদা খুন্দাবা থোক্লবদি য়াওরুবা ঙল্লোই। হোৎনবুদি হোৎননি হায়জরবসু মঙদা মঙ্গ্রা তানবনি। মঙ ৱারীনি।

লৈত্রবা পোৎ অমা উবদৌনা ঙাঙনবা অশিংবা মী লৈগদ্রা? লৈখিদ্রবা লৈবাক অমা লৈবদৌনা ঙাঙনবদি য়াবরা? য়োন্নবা থাক্লিবা য়েনশিংসু চিক্লবা য়াওরকই, চিক্লবা পাম্বা মীশিংগী পুৱারীদুনি থিবদা অৱাবা ওইরক্লিবসি। থিবসু ফংদনা কনানো অখঙবা ওইগদৌরিবনা। ●